## ৱারী মচা

# সিবু ৱারীরনে!

**নরোত্তম**

ঐ, ইবোহল, ইচিল–ইনাও নুপা মঙা নুপী অনী, তরেৎকী অহলনি। নহা ওইরিঙৈদদি মী–লাই কনাসু কীবিরম্বা নত্তে। ঐখোয় লৈকাইসিদতা নত্তনা মায়কৈ সোমদদি ঐহাকপু নুংশিবীনা শকখঙনবীরিবনি। অদুবু হৌজিক্কানসিদা ইচানুপী লৈশাবী অহুম অমদি থেংনা ফঙজবা চহী ১০ গী ইচানুপাগা, মমাগা পুন্না ঐখোয় তরুকখক, বাজিনা তম্বীবা সরক ৱাংমগী ইঙ্খোলদা হেংদোক্লক্তুনা য়ুম লিংলবসিদদি, ঐগী থৌনা লিংজেল পূন্নমক মাংখ্রে।

মীরক তিঞ্জবনা কয়া পামজরকখিবা! ঙসি চহী ৫০ হেঞ্জিল্লক্লবা সিফাওবদা মমা ইবান্নি নহা পাখঙ–লৈশাবীগুম সিনেমা ড্রামা য়েংমীন্নবগী ৱাখলকা হেন্নদুম লৈরিবনি। অদুবু হেজিক্তী ৱাখলসি কীথী–কীরুম তৌদুনা য়ুমদগী মপান হায়বদু শুংথোক–হেক থোক্লিংলক্ত্রে। তঙাইফদনা কারিবা ওফিস হেক য়ৌবগা নে–তানা ফমথবা ঙমদে, অয়ুক স্কুল কাখিবা ইচানুপাদুবু তেক্তা কায়দা য়ুমদা য়ৌরক্লরিদ্রা হায়বা খঙনিংবা ৱাহংনা পূক্লিং লৈতাহন্দে। মসিদৈ হুৎ লৈথবদনা ঐখোয় থোঙ্গাল ময়াগী সরক্তা হৌবা মনা পুংবা নাশিক মখোঙদা হেক–হেক লেপ্লবিরবা নোংমৈ পায়বা, মকোই চোম্বা, মমীৎ লাওবা সিফাইদুগী, খোইদৌ থিৎপা মীৎয়েং লান্দুনা ইচানুপীশিংদুবু কলেজ কাখ্রবরা, হল্লকখ্রবরা, অদুগা মমানা করম তৌরিগবা হায়বা চরাংনবা ৱাখল কয়াসিনা মীহুলসি ঙহাক্তবু চাং নাইহন্দে। মসিমক্লনি ছুটি থাবগী পুং য়ৌদ্রবসু তাঞ্জাবু ফংলবদি য়ুম য়ৌনবা হেক্তা চেল্লিবসি।

নহান্তা হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিৎকী ৱানি, ইনক–নক্লা দোং–দাং মখোল অমা –অনীদং তাখি, ইকানবু কান্নদে থৌরকখিবা গারী ময়ামদগী ফন–ফন চোংথনরকখিবা সিফাই ময়াম্না লৈকাই কোইশিনখিবা খঙহৌদে। করিনো ওপরেসন কাইদু তৌদৌরিমাল্লে খয়্জদুনা, মমা–মচা মখোয় মঙাদি লৈজবা সনা লুপা খরকাদু মমাগী মখ্বাঙদা কিশিনহল্লগা থোঙ্গাল ফাওবা সনা লুপা খরকাদু মমাগী মখ্বাঙদা কিশিনহল্লগা খোঙ্গাল ফাওবা থিন্দোক্লুবনি। সিফাই হায়বা জাৎসিবু করিগীনো অশুক য়াম্না জৎ থীরিবা! অদুবু মপা হায়দু কৌবনিনা মমাবু ইচাশিংবু মপূক্লিং থৌগৎপিবা ৱাহৈ–ৱাতা থি–থিদুনা হায়রগা, ঐখোয় পুন্না ইমুংদা চঙলকখি। মতাংদুদা নিক্লকখিবা কপলাককি মতৌদনি ঐনা খনখিবা – "হায় ইবোহল নংসিদি পাঙদ্রেদকো!"

করম্নবু থৌনা ফরুদৌরিবনো? ইয়ুমদা চঙলকপা নোংমৈ পায়বা সিফাইগা পুলিসকনা মমা–মচাখৈনা সুমাঙদা লেপহল্লগা, ঐবুনা মখোয় খরগা লোয়ননা, ইমুং চঙমীন্নদুনা থি–হুম্বগী থবক চখ্খিবগী মতৌদুদা ...! খররদা করিদা ইনরকপদু চুম্বা জাৎনি, করিনো ওপরেসন তৌবদবু মীগী উপু–কাঙথোল কোইফাক ফাকএৱানি। তশেংনা শোয়দগী, মখোয়গী নোংমৈ মতোন্না থেংলুবদা কায়খিরম্বদি য়াই হায়ববু, ঐগী লাইরিক উপুগী মিংশেল কায়বদা মখোয়না – "ৱারৌবীগনু শোয়খ্রে" হায়রম্লগসু ঐদি হৌজিকসু অদুক ৱারৌরি। ওপরেসন লোয়রকান্দতা খঙলকই – লম্বীদা তাবা সিফাইনা নহারোল চ্যেক তৌবদা নোংমৈ কাপশিল্লক্তু না কাপ্নবনি। সিফাইসু নহারোলসু শোক্তে শিদে, মখোয়না কাপথোক্লকপা মরুনা পান্দুনা ময়ুমগী মাঙ্গোলদা চন্দোল চৱা থিন্দুনা লৈজরিবা, লৈকাইগী অহল অমদি আত্মা শান্তি ওইখ্রে। থৌদৌসিবু ঐখোয়দসু থোক্লোয় হায়বা ঙম্বরো?

মসিদগীনি, ঐনা ঙসি, ওফিসতগী হক হল্লকপগা ইয়ুম চঙদনা থোঙ্গালদগী মমা তানবা লাউরম্লগা বাজিহোইদা চঙলুরিবসু। ইনাওশিংদি হন্নরক্লমদ্রি। অদুবু ইমা–বাজিগা ৱারী শাদুনা, মখোয় লাকপা ঙাইখি। ফনা হায়সামি, মখোয়সু মতমগী অকী–তুজুংবগী মীহুল অদুম কাংনবজাৎনি, মথং–মথং হন্নরকই। মঙাও থিখ্রবা ইনাও অতোম্বদংদি হেক লাকপগা গারী ইনশিল্লম্লগা অমুক থোকখিগে তৌবদা ইমানা –"হায়, হৌজিকপু কদায়দনো, নয়াম্বনসু ঙসাইদৈ ৱা তাননি ঙাইরিসিদা", হায়দুনা চৈনৈ। ইনাও অতোম্বনা কোল্লিবা বাজি ইমাগী মাঙ্গোলদা ইনাও মরী অমদি ইবা–বাজিদাঐনা হায়জবদি "ঐ নখোয়না ইঙ্খোল চাওনা পীবিরিবসি পামজদ্রে, নখোয় হোংদোক্লক্লগে হায়রগা হোংদোক্লক্লো।, নৎত্রগনা ঐ হোংজিল্লক্লগে, শঙ্গাইরা য়েনখারা জগা অমদি পীরো।" "ঐগী ৱা তাবদা ফাগী ওই করিওই অমা –অমা পংঙাং ঙাংনরকই। ৱা নোকপা মতাংসু য়াওই। ইনাও মরীমক্কী মশক পুন্না উবনে, ইমা বাজিগী মাঙ্গোলগা ওইবনে কদায়দৈনো ঐগী মাংলুরবা থৌনা পুম্বা অমুক হঞ্জিল্লক্তুনা ইয়ুম হল্লকই। তৌবতবু ৱারেপ্পরকই "অয়ুক–নুংথিল ইমানা ইনাও অতোম্বগী ইচাশিং শেন্নবদু ঐগীদা পুরক্তুনা লৈরগনি বাজিসু দেব–কর্ম্মা চৎথোক্ত্রবদি ঐগীদা অদুম লৈগনি।"

নুমিদাং পংথেং থেংদ্রি। চাকশঙদা ইচাশিংগা চাক চামীন্নরি। মমাদি ইচানুপী য়াইমনা থোংবা এন্সাংদু মোরোক শামল্লি চাবা ঙমদ্রে হায়দুনা ষ্টোভ থাগত্তুনা করিনো, ঙৌবা কন্না লাক্লরি। মতাংদুদা, পংলাপ লাপ্তুনা মখোয় অমা খংতা তারকই – "দোং"!

মমাগা ইচাশিংগদি খঙদে, ঐদি খংপ্রেক খঙই। মমা অমদি ইচাশিংলোমদা কীরূপ য়েংলুবদা মখোয়সু ঐঙোন্দা তিঙক–তিঙক য়েংলক্লম্মী। ঐগা পোখম তিন্নরিবা ইচানুপানদি – "ববা হৌজিক্কীদু নোংমৈ কাপ্লিনিকো ... মী অমা শিরম্লনিকো ...।" মরক্তুনা মমানা লাউহৎলকই – "ইবুঙোমচা তুম্মিন লৈয়ু অদুম হায়হৈদে।" ঐখোয় ৱা ঙাংনদে। ঐ চাক লেমহনলম্লগা হৌগত্তুনা, খুৎ–শা হামদোক্লগা মপান থোক্লকই। মমনা তুংদা – "কদায়দনো থোকইদুবু?" ঐনা খুল্লমই – "কৈশু চৎলোয়" ইচানুপীশিংনা হায়হৌই – "ববা থোঙ্গালকা থোকখিনুকো।"

শুমাং থোক্লক্লকান্দা খল্লকই। থোঙ্গাল ফাওবদং থোক্তুনা য়েংলুসিরা, কনা–কৈদৌনরে, কদাৱাইদা কনাগী পালি তাদুনা আত্মা শান্তি ওইখ্রে হায়বনচিংবা খঙনিংবা কয়ামা খঙদোক্লুনবা। অদু নিকখৎলক্লবা কপলাকসিনা থোঙ্গাললোম থোকউ য়াদে। সরক হেক ৱাংমদা লৈরিবা ইচিল–ইনাও, ইখুরা–ইতোন কোল্লুপ অসি আ–অমেরিকাদা লৈখ্রবগুম থাপতোকখি। মরমদুমক্লা মখোয়রোমদা চৎলুগে খনবগী মহুত্তা, পাক্লবা খোংবালগা, য়েংথৌ–ৱাপনগনা খন্নরগা লৈরিবা খা–ৱাং গী য়ুমথংনবা ইপা ইপু হাক্তক্কি খুরা–মামশিংগী ইচিন–ইনাওগী য়ুমদা পূক্লিং চিঙশিল্লক্তু না অহানবদা মখারোমগী ইনাকখুনবাকোল্লুপ্তা য়েংলুই। অদুবু মখোয়গীদি ফ্যুজ চাক্লবরা নৎত্রগা থওইনা মুৎথৎখিবরা মৈকা অমত্তা থানবা উদে, পুংমম মমই। মরমদুনা অৱাংলোমগীদা খোঙ থাংজিল্লি। লৈপল তেমথোক্তুনা নীংথিনা ফাওনফম লৈরবনি, মদুদাচৎলুবা ঙমদে ঐগী ইঙ্খোলদা লেপ্লগা কৌই–

– "হো বারু, হো বারু।" খুন্নক্তে। অমুক্কসু কৌই। হন্দক্তি মখোয়গী য়েনখাগী খোঙনাও হাংদোকপগুম তৌরকই, অদুগা বারুনা খুন্নকই–

–"কৌবরা তাজৌ, করি হায়গে?"

–"হৌজিক্কী মখোলদুবু করিনো তাহৌদব্রনে?"

–"কদায়দনোদি খঙদে অনকপদা মাল্লি তাহৌই, নোংমৈরা বোমলা অমদি শোয়দে, সিফাইগা পুলিসকা শোয়দনা লাক্লনি, ইমুংদা চঙবিয়ু তাজৌ, মৈ কা লোয়না মুৎথৎপিয়ু, লাই খুরম্বীয়ু।"

বারুসু থোঙনাও লোনশিনখ্রে। ময়ুমদা থাল্লম্বা মৈশিংসু লোয়না মুৎথৎখ্রে। ঐসু ইমুং চঙলগে খন্দুনা মায় ওন্থোক্লকপগা ঐখোয় ইমাগা ববাগনালালটেন অমা কোন্ননা চৈশু শুদানা থোঙ্গাললোমদগী চঙলকপগা, মমানা সুমাঙলোমদগী ঐবু ইমুং চঙলক্লো কৌরকপগা তান চানৈ। ঐখোয় পুন্না ইমুং চঙমীন্নরকই। মপান্দা থানবা মৈ খুদিংমক মুৎথৎলি। অতৈ য়ুমথোঙ খুদিংসু মুৎথৎনরম্লগনি। নুমিদাংনা তমথীরবা অমম্বগী শক্তম লৌরম্লগনি।

ইমুংদা ঐখোয় ৱা কয়া ঙাংনদে, ইমানা মমাদা হায় "হায় অহনবী ইশুশিংগী লিক–কোনকাদু য়োমশিল্লু ঐগী খ্বাঙদা পুনশিনগে।" বাজিনা ঐঙোন্দা হায় "ইবুঙোহল চাব চাদবা ইঙ্খোল অকোয়বসিমদি চেকপল খাজিল্লগা থোঙ্গালসি য়োৎকী শেমদুনা শো লোন্নবা তৌরো, ননাওশিংসু ঐ হায়গে, মরাইনা পাংনজরক্কনি।" ইচাশিংসু মপুগী মতেং পাংশিল্লকই – "হয়েংদৈ হেক্তা হৌরসি।" ময়ামদুগী মতৌদুদা ঐহাক্লা থম্মোয় চাওবা শারদুনা "হেরা করিসু তৌরোইদা, ববা লৈরিসিদি, মহায়। মদুদা ইমানা "করিবুদি তৌনি হায়গেনে মখোয়গুম্বা ময়াং সিফাইদি লাইরদনা গোরা সিফাই ফাওবনা কীনখিবা নমা ঐ লৈরিঙৈসিদা।" ইমাগী ৱাতাদুদা , অঙাং ওইরিঙৈদা ইমানা লিবীখিবদুনা তাখিবা, নুপী লানগী মতমদা খ্বাঙচেৎ শেত্তুনা সিফাইগা লাম্বা তৌনগে চোংথোক্লখিবী মমান্নবী কয়াগী মায়থোঙশিংনা ইমাঙদা মোমোন নোক্লমগুম খল্লকই। মসিমক্লনি হায়নরীবসে, মৈতৈ নুপীগী থৌনা!

ইমা পাজি লাক্তুনা ইয়ুমদা লৈবীরবগী ৱাখল চাওথোকচবা পোকচরগসু পূক্লিংদি লৈতাদে। সরকলোমদা নাকোং থমদুনা তানিংমাতানিংদবা খোঞ্জেলগী মখো ঙাই। চেক–মোক লাওরক্তে। অদুবু খঙহৌদনা গারী অচৌবা অমা থৌরকখিবগী মখোল তাই। ঐ খল্লি, অতৈসু খল্লমগনি " সিফাই য়ৌরক্লে।" গারী হেন্দোকখি, মখোল তামখি। মতমদুমক্তদা গারী লাকখিবা মায়কৈরোমদগী, মোটোর সাইকল অমা মখোল লুমতক থৌরক্লগা ঐখোয় থোঙ্গালৱাইদা খান্নখিবগুম তৌই। ঐদি হুমাং কাংহেল। খল্লি শোয়দ্রে। কনানো শকখঙদবা খরা ইয়ুমদা চঙলক্লে। ঐখোয় তুম্মিন লৈনৈ। মপান্দগী কৌরকই – "তাচৌ জাচৌ ঐনে থোঙ হাংদোকও!" ইনাওনুপা অতোম্বগী মখোলসিদা খল্লিঙৈদা ইমানা "তোম্বা কৈদৌনরে হা" হায়দুনা খ্বাঙ কোল্লবী মানা খুৎলৈ থুনা–চেম্থোক্তুনা থোঙ হাংদোক্লুই। ইনাওনুপা লেপ্লম্মী। ঐখোয় পূন্নমক মঙোন্দা মুন্না য়েংই "কৈসু তৌনদেদা, হৌজিক মাঙদা চৎখিবা গারীদো সিফাইগীনিদি হায়ববু, থাও য়োনবা তা–খোম্মৈগীদা থাও খায়দোকপা লাকপা ঐএমঃ আরঃ গীনি, ঙশাইগী দোং হায়বা মখোলদুনা মদু লম্বীদা থোকখায়বগীনি, হৌজিক্তা চাকা শিন্দুনা চৎখ্রবদুনি।"

–"হৌজিক্কী মোটোর মখোলদুনা কনানো?" ঐনা হংই।

–ক্লব লম্পাক্তগী, য়ুম অমুক্তা চঙলুগে নখোয় পাখৎনরম্লনি হায়দুনা মীঙৌন্দে লৌরক্লিবনি।"

–"অদু নঙবু কনানা মপান থোক্তুনা ইরাং য়েংলুচো হায়গে হা, নঙবু য়ুমদা লেঙদনা লৈয়ু হায়রম্লগা, ইমাগী তোম্বা নঙসিদি হায়বা ইনখিদ্রেদা।" ইমানা চৈরকই।

–"হেরা, ঐদি ঙশাইনা হায়দুনি, নোংমৈ মখোল মান্দে টায়র পোখায়বা ওইরম্নী, অদুবু নখোয়না লান লাকপদৌনা হেক তৌবদুদা, লানদা শিরগা শি, হিংলগা হিং হায়দুনা হেক থোক্লুবনিদনা।" "ইয়া মসি অঙাংসি কয়াদা চোংলম চাখিদ্রবনোসে।" ঙশাইখৈ ৱা ঙাংলমদবা বাজিনা হায়রকই। "অহনবী মপানগী মৈকাসি থানগৎলু, ঐখোয় চৎলগে, তোম্বা মীগী গারীকাদু য়ুমদা পুশিল্লক্কনু, হৌজিকমক পীথোক্লবগা তত্রা লাকউ, লমহেনগনু।" হায়দুনা ইমানা হায়বদে বৱানে–তোল্লবে ইমানে মরী–মরী থোকদ্রে।

মুৎথৎনরৱবা মপান–মপানগী থাউমৈশিং অমুক থানগৎনরদ্রে। খাসু–ৱাংসু ঙানবা নত্তনা টিংটিং য়েংনরগী, ৱারী ৱাতাই শানবগী মখোল খর– খরা তাহরক্রে। ঐখোয়গী য়ুমসু ইভাল ঙাল্লে। অদুবু লুরিবদি অশম্না শুম অঙানবা মঙাল ফংদুনতা লৈরোইদৌরিবসিনী।

## তাবুনুংদগী

*(মণিপুরগী শক্লাইরবা কবি অমদি অইবা লাইশ্রম সমরেন্দ্রনা ইবা ৱারেংশিংগী লাইরিক "স্বর্গদা অৱাবা অমসুং নুংঙাইবা" (ফোঙবা ১৯৯৯) দগী লৈবাক্কী ওঝা কৌবা ৱারেং মচা অসি ঙসিগী ওইনা তাবুনুংদগী লৌখৎচরি)*

### লৈবাক্কী ওঝা

উত্তরপ্রদেশপু উতর নৎত্রগা উত প্রদেশ হায়বা রাজ্যবু রাইজ হায়বা শাউনিঙদ্রে মরমদি ঐখোয় ময়াং নত্তে। অদুবু হেনজিনমনখিদুনা প্রধান মন্ত্রীবু প্রধান মন্ত্রিনচিংবা হায়জিল্লক্লবদি অমুকসু নুংঙাইতে। মরমদি আকাশবাণী ইম্ফালগী পাউ পাবা অমা অনী নত্তনা মৈতৈ অয়াম্বা ঐখোয়না থেংনবদা পধান মন্তি ঙক্তা হায়। ইচা অমা ইনাও অমা মরৈ থাবদি দোষ লৈতে, নুংদুম নুংশি। অদুবু জাতিগী ওইবা রেডিওনা মরৈ থাবদি চুমদে হায়নিঙই।

ঐখোয়দা ইহান হানবা পাউ পীবসি রেডিওনি। রেডিওনা হায়বা অদু চুমই হায়না লৌনরিবনি, রেডিওনা হায়বা মিং অদু, ৱাহৈ খোম্থোক অদু চুমই হায়না লৌনৈ অমসুং তমনৈ। রেডিওনা পাউতাক পারা কয়াদবু নত্তে ঐখোয়না লৌবা। খঙদবা অনৌবা ৱাহৈ লৈবাক নৎত্রগা লৈবাক্কী লুচিংবা, বৈজ্ঞানিক, মন্ত্রিগী মমিং লোইনা চুমই হায়না লৌই, তমই। অদুনা রেডিওনা য়ারিবমখৈ চুম্না হায়হন্নিংই। জাতিগী ফনা য়াম্না ওইদুনসু পিকিংবু পেকিং হায়বা নুংঙাইতে। পৃথিবী পূন্নমক অয়াম্বা 'পিকিং' হায়। ঐখোয়গী চীন্দা হায়বা ৱাবসু নত্তে।

খ্বাইদগী লুবা লৈবাক্কী ওঝা ওইরিবা রেডিওনা হায়বা অদু লাল্লবসু চুম্লবসু তম্লিঙই। ফনা নুংঙাইতবা তাবা সুকয়া য়াদবা হিন্দী ফিল্মগী ঈশৈ কয়া ঐখোয়বু নমদুনা তমহল্লি।

**লাইশ্রম সমরেন্দ্র**

## মণিপুরী পাম্থৈ পাওরৌ পাওতাক

**৭৬. অখা –অরাক**
– অখাবা চীঞ্জাক।

**৭৭. অখা–অরাক মহাও তংবা।**
– অফ–ফত্তা খঙদোকপা।

**৭৮. অখাকপা থমদবা**
– পুকচেল তিংবা, অরোৎপা লৈতবা।

**৭৯. অখাঙ কনবনা অরুবা থবক পাঙথোকপা ঙম্মী।**
–অরুবা থবক পাঙথোক্কে খল্লবদি লিংজেল পানবা, খাঙবা কনবা তাই।

**৮০. অখাবা মীৎয়েং।**
–নুংশিদবা মওং।

**৮১. অখঙবা অহৈবা মীদি ৱা খজিক্তা ঙাঙই।**
–মতীক–মগুণ লৈবা মীদি মরু ওইবা ৱা খক্তমক ঙাঙই।

**৮২. অখাক–অরাও তাবা**
–খোন অকনবা ঙাঙবা।
–নোংমৈ শীংজঙ তাবা।

**খোমজিনবা**
**ডা. লৈশাংথেম তোনদোন**

## লাইরিক্কী উনবা

**লাইরিক্কী মমিংঃ মণিপুরী শৈরেংগী হৌরকফম অমসুং মসিগী মশক**
**অইবাঃ লনচেনবা মীতৈ**
**ফোঙবাঃ হ্যুমেন রিসোর্স ডিভলপমেন্ট গ্রুপ**
**মমলঃ লুপা ৭৫ /–**

লনচেনবা মীতৈনা ইবা 'মণিপুরী শৈরেংগী হৌরকফম অমসুং মসিগী মশক' হায়বা নৈনবা ৱারেংগী লাইরিক অসি অহানবা ওইনা খৃষ্টকী কুম ২০০৫ হ্যুমেন রিসোর্স ডিভলপমেন্ট গ্রুপ, মণিপুরনা পুথিবা প্রেস, লম্লোং কৈথেল, খুরাইদা নম্লগা ফোঙবনি। লমায় ৯৫ পানবা লাইরিক অসিগী মমলনা লুপা ৭৫ পীরি। মণিপুরী সাহিত্যদা ১৯৯০ গী মতমসিদা অহোংবা কয়ামুক লৈখি। মণিপুরগী মশাগী লৈহাওদগী শেমগৎচবা শৈরেং মশক অমা শাগৎনবা মতমদুগী নহা ওইরিবা কবিশিংনা হোৎনরকখি। মদুগা লোয়ননা সাহিত্য নৈনরোলগী ওইনসু ইংলিস অমদি সংস্কৃত নৈনরোল তাংদুনা মণিপুরী সাহিত্যবু নৈনবা হায়বসি চাশিন–চুশিন্নৌ হায়বা য়াদে হায়না খন্নরকখি। M S Nagarajan 'English Literary Criticism and Theory দা হায়বা 'Necessity is mother of invention' (P.237) হায়বগুম লনচেনবা মীতৈনা অরিবা মণিপুরী সাহিত্যবু নৈনদুনা 'শৈরেং' হায়বা ৱাহৈসিগী হৌরকফম, অর্থ থিনবা লাইরিকসিদা হোৎনবা উবা ফংই। লাইরিকসি ইবগী মতাংদা ইরি–"ঙসিদি মণিপুরী শৈরেংগী হৌরকফম করিনো অমসুং মসি কমদৌনা করিদগী করিগীদমক থোরকপগে হায়বসি মমুৎ তানা খঙবগী থোইদোকপা তঙাইফদবা অমা লাক্লে। মরমদি নোংচুপ লোমগী (ভারত অমসু য়ুরোপকী) ওইবা সাহিত্যগী নৈন পথাপশিংগী পাদম মখাদা মণিপুরী শৈরেংবু ওন–ওন্দুনা য়েংবদা মণিপুরী শৈরেং মশাগী ওইবা চপ চাবা মশক অমদি মওং–মতৌ চুম্না খঙবা ঙমদে। মরমদি মণিপুরগী লম, ঈশিং নুংশিৎ অমসুং মসিদা খুন্দারিবা মীওইশিংগী ৱাখল ভারত অমসুং য়ুরোপকী লম, ঈশিং–নুংশিৎ অমসুং মসিদা খুন্দারিবা মীওইশিংগী ৱাখল মীৎয়েং অমদি চৎনবীগা তোঙান তোঙান্নি। (লাঃ১) লাইরিকসিদা নৈনরোয়না 'শৈরেং' হায়বসিদা য়াওরিবা শ+ৈ+র+ে+ং হায়রিবশিংসি সমাস তৌদুনা মশক তাক্লনবা হোৎনৈ। তাঙ্কক অনী থোক্লা খায়দোকপা লাইরিকসিদা অহানবা তাঙ্কক 'মণিপুরী শৈরেং' হায়বসিদা শৈরেং থোরকপগী মরম, ৱাকমাগী ৱাহন্থোক, শৈরেংনা ৱারেংদগী হাল্লিবগী মরম, 'মৈ' গী মশা, মৈ ওইরকপা, মৈ ৱাহৈগী খোঙ্গুন লীবা 'ৈ' চৈতপকী খোঙ্গুল লীবা, পুৱারীগী মীৎয়েংদগী 'মৈ' গী খোঙ্গুল লীবা, মৈ শেম্বদা অতোপ্পা লোনগী ইথিল থিবা, মৈগী ৱাহন্থোক অমদি শৈরেংগী মশক অমসুং শৈরেংগা ৱাহৈগা লৈনবা মরী হায়রিবা সব–হেদিংশিংসি য়াওরি। অদুগা অনীশুবা তাঙ্কক ওইরিবা 'অঙনবা মণিপুরী শৈরেংগী মশক' হায়বসিনা 'লাচনবা শৈরেং' হায়সিবু পুৱারী অমদি শৈথারোল হায়বা খায়দোকই। অদুগা লাচন্দবা শৈরেং হায়বসিবুনা খুন্নুং ঈশৈ অমদি লাইশোল হায়না খায়দোক্তুনা নৈনরি। নৈনরকপা অসিদা মতম অমদা তম্পাক্কী লমদমসিদা মনীংতম্না পাল্লম্বা মঙাং, লুৱাং, খুমন, অঙোম, মোইরাং, খা–ঙানবা, সরাং লৈশাংথেম, চেংলৈ অমসুং চকপনচিংবগী নিংথৌরোলবু লৈনৈ। মদুগা লোয়ননা চায়নরোল, লম্মিৎলোন, চীঙ্গোইরোল অমদি শৈথারোলগী ওইবা লৈরোল, থারোল হিজন হিরাউ, য়াকৈবা, হিরেন তেংথা, লাইরোলনচিংবা নৈনরি। লাচন্দবা শৈরেংগী মনুংদা খুন্নুং ঈশৈদা পেনা য়াওবা খুন্নুং ঈশৈগী মনুংদা–লাই হরাওবগী ঈশৈ, লীরোনশৈ, শৈথারোল (লৈরোন, লাইরোল, য়াকৈরোল)নচিংবনি। অদুগা পেনা য়াওদবা খুন্নুং ঈশৈদনা অকক্লবা খুন্নুং ঈশৈ অমদি অকক্লদবা খুন্নুং ঈশৈ হায়না খায়দোক্তুনা নৈনবনা লাক্লরি। অদুগা লাইশোল হায়বসিদসু অকক্লবা লাইশোল অমদি অকক্লদবা লাইশোল হায়না খায়দোক্তুনা পীরি। লাইরিক অসিদা অইবনা মণিপুরী শৈরেংগী হৌরকফম ওইবা য়াবা রিসার্সকী হাইপোথেসিস অমদি পীরে হায়না লৌবা য়াই। নৈনরোয়না হায়–শৈরেং হায়বা ৱাহৈসিদা মণিপুরীশিংগী ওইবা থাজনবী, লাইনিংলোন, ৱাংউরোন, নুংগী খোম্থোক অমসুং অকুপ্পা মীৎয়েং য়াওরি হায়বদুনা মখা তারি – " হিন্দী অমদি সাস্কৃত ৱাহৈদা শৈরেংগা মান্ননা লৌরিবা ৱাহৈশিং কাব্য (পদ্য) অমদি কবিতা হায়রিবা অসিগা মণিপুরীগী শৈরেং হায়রিবা অসিগা য়াম্না শাথিনা খেন্নবা অমা লৈরি। অদুগা ইংলিস ৱাহৈগী 'পোইত্রি' হায়বসিগসু য়াম্না লাপ্নরি। মতাং অসিদা মরু ওইরিবদি কাব্য, কবিতা, পোইত্রি হায়রিবা ৱাহৈশিং অসিদি চুম্নগী ৱাহৈগী মপানগী শক্লোন য়েংলগা মমিং থোনখিবা ওইনা তৌই। (লাঃ৪৩) নৈননবা মচাক য়াওবা লাইরিক অমনি।

**আর জে মীতৈ**

## চয়োলসিদা সাহিত্যগী পাউ

**মে ১০,২০১৬, লৈবাকপোকপা**

সাহিত্য অকাদেমী কোলকাটা অমসুং মালেম অইকোল, খাবম লমখাই অনীনা খুৎশম্নদুনা অশৈ নিংথৌ লৈকোল মতাইদা মিথ ইন মণিপুর কলচর এন্দ লিটরেচর হায়বা হীরম অসিদা নোমেগী ওইবা লিটরেরী ফোরম অমা শীনখি।

লিটরেরী ফোরম অসিদা ৱারী মচা পাবগী থৌরম অমসুং পাওথোকখি। থৌরম অদুদা প্রোফেসর নাওরেম খগেন্দ্র, ভাইস চান্সেল্লর, মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরনা অথোইবা লেঙবিরকপা অদুগা মালেম অইকোল অসিমক্কী প্রসিডেন্ট দল্লিয় মহেন্দ্রনা থৌরম মপু ওইখি।

**মে ১৪, ২০১৬, থাংজ**

মরিপুরি সাহিত্য পরিষদ, পাউনা বাজার, ইম্ফালনা শীন্দুনা পরিষদ অসিগী ৮১ শুবা চহীগী মীক্ষম মহারাজ চন্দ্রকীর্তি ওডিটরিয়ম, পেলেস কম্পাউণ্ড, ইম্ফালদা নুমিৎ নীনি চুপ্পা পাঙথোক্কদৌরি। ঙসি অহৌবা নুমিৎ অসিদা মণিপুরগী ওনরেবল ডিপুটি চীফ মিনিষ্টর গাইখাঙমনা অথোইবা লেঙবিরকপা, ওনরেবল এডুকেসন মিনিষ্টর ডা. কেঐচ রতনকুমার না অখরবা লেঙবিরকপা লোয়ননা পরিষদ অসিগী সভাপতি প্রো. থোইদিংজম তোম্বী সিংহনা থৌরম মপু ওইদুনা হৌদোকপগী থৌরম পাঙথোকখি।

মথংদা, "বাচস্পতিময়ুম জয়ন্তকুমার শর্ম্মগী পুন্সি অমসুং থবক" হায়বা হীরমসিদা সেমিনার অমা তাঙ্কক অনী থোক্লা পাঙথোকখি।

অহানবা তাঙ্কক্তা বি. জয়ন্তকুমার শর্ম্মগী পুন্সি অমসুং থবক হায়বসিদা বি. নেতাচন্দ্র শর্ম্মনা চে পাখি। ঈশৈ ময়েক ইবা অমা ওইনা বি জয়ন্তকুমার শর্ম্মা হায়বসিদা প্রো. বোদ্ধচন্দ্র সনসমনা চে পাখি। অঙাংগী সাহিত্য ইবা অমা ওইনা বি জয়ন্তকুমার শর্ম্মা হায়বসিদা শগোলশেম ইন্দ্রকুমারনা চে পাখি। খুরাইজম নিমাইচরন সিংহনা মোডরেটর ওইখি।

অনীশুবা, নুংথিলগী তাঙ্কক্তা ইথোকপা অমসুং হন্দোকপা অমা ওইনা বি. জয়ন্তকুমার শর্ম্মা হায়বা হীরমদনা ডা. এম প্রিয়োব্রত সিংহ অদুগা নৈনরোয় অমা ওইনা বি. জয়ন্তকুমার শর্ম্মা হায়বসিদনা প্রো. পোলেম নবচন্দ্র মওং শিংনা চে পাথোকখি। তাঙ্কক অসিগী মোডরেটরনা প্রোফেসর নোমাইথেম তোম্বী সিংহনা ওইখি।

**রাজেন খুমুকচম**

## শৈরেং

### লৈতাফম খঙদে

*রাকেস চাবুংবম*

লৈতফম খঙদে নহাক য়াওদ্রবদা।
মীকুপ অমগী কাইনবা
নঙগা ঐগা লাপনবা
পোথাফম খঙদে, লৈতফম খঙদে।

পুর্নিমাগী থাজবু য়েংদুনা ঐনা
নুংশিবী নহাক্কী শক্তমবু উরি
খাংবদা ৱারবা অহিংসে
সুংলোই লোইবা নাইদরে
করম্না থেমজিন্নি থৱায়বু
কয়াদা নুংশিজবা নহাকপু
কনা অমাতনা খঙদে, লৈতফম খঙদে।

কয়াদা নুংশিরবা নুংশিগী মরি
কয়াদা ফজরবা পুন্সিগী খোঙচৎ
নহাকনা লেঙদনা লৈরবদি
পূন্নমকপু মীরাসবা ঙমগনি
অমুক্তদি তমবীরম্মু ইফমদা
করমনা নুংশিবা থাজহন্সিগে
ইনাক্তা লাকলোনে, লৈতাফমখঙদ্রে।

### "পম্বুংফম"

***নিংথৌজম ইবোপিশক***

খোঙকাপ লাওনা থাংদুনা চৎলি,
অকি অখঙ লৈত্রবা ৱাখলদুনা।
থাংলি খোঙদা য়োৎল্হিং,
তৈরি ঈনা খুজেংদুনা,
অফা অপুন মরক্তুদা।

মীৎকী পিরাং শিম্বুরি তৎতনা,
পম্বুংফম য়ৌররোইদ্রা খল্লুবদা,
চোকথবা নাইদ্রবা পূক্লিংগী থৌনা,
হেন্না কনখৎলকই কুইরবগী তুংদা।

ৱাখলগী থৌনাদি হনবা লৈত্রি,
খিল্লমগে খল্লি পম্বুংফমগী ফিরালদো,
লুপ্লবা হুমাংনা মায়থোঙ পুম্বা,
হোৎনখিগনি ঈনা চেল্লিমখৈ হকচাংদা।

নিয়ম লৈতে পঙহিং হিংই।
হিংসু হিংঙকই ঙসিফাও
কদাইদনো মখোয়না হিংগদবা মরম
কয়া কুইনা চন্নফম খঙদা
মখোয় শরু মচেৎনি।

লমশিং মরুনা শেমখিবা
শিবা নাইদা হিংঙকই
মখোয় মনাক্তা কোইশিন্দুনা লৈ
মথৱাই মমি শামখ্রবা কয়া।

মখোয় ময়াম পূনশিন্দুনা মথৌ চৎথৈ
ভুট প্রেৎকী ওইবা
শগুল লুট পাৎকী মথৌ
ওইনিংবা ওইখিবা ঙাক্লি।

মকোক য়াওদ্রবা অতোনবা জীবনি
মিনুংশি লৈতে
ৱাচৎ ৱানোম কল্লি
হেক হেক য়েংঙৈ মশাবু শকয়েং মিংশেন্দ।

অকীবা ফাওরকই হৌনা লাউরকই
খন্দে মখোয়গী ৱাখল
লৈহৌগদবা তুং মীরোলগী
শেলদমক লাইচুই।

### অহিংবশিং লৈবাক্তা

***আরকে বিমোল***

অহিংবশিং লৈবাক্তা
অশিবশিং খুন্দা লৈতাই
মখোয় মীচেলনি, মীরৈহৎনি